সনালৈবাক

## এডিটোরিয়েল

### মথোং খঙদনা ঈরাং পান্বা

মণিপুরগী লৈরিবা ফিভম অসি মিনি–ইন্দিয়া অমগী চপ চাবা মওং অদুনি। লমদমসিদা মখল মখা কয়াগী মীওই কাঙলুপশিং খুন্দা লৈতামিন্নদুনা চহি কয়াগী মমাঙদগী লাকখি। হায়রিবা ফিভম অসিদা অদুম্মক অহোংবা অমত্তা লৈতনা ১৯ অমসুং ২০ শুবা চহিচা ফাওবা য়াম্না ঈংনা–চিক্লা খুন্দামিন্নদুনা লৈরকখি হায়বদা থোইদোক্লা কাইরোই। হায়রিবা মতম অসিগী লোয়শিল্লকপা মতমদা নাগাশিংগী ঈরাং য়াম্না চাওনা লাকখি। মদুদা নমথনবা হোৎনবদা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা মণিপুর ষ্টেট গভর্নমেন্টকী অচৌবা মতেং অমা লৌখি হায়বা য়াই। মতমদুদা মণিপুর রাইফলসকী মশিং য়ামখিদ্রবা বট্টালিয়ন খরগী পার্সোনেলশিংনা মখোয়গী মতিং ফুদোক্লা ভারত সরকারগী হুকুম অদু ঙাক্লা চৎনবা হোৎনখিবনি হায়বসি থোইনা লানগনি নীংদে। মদুদা নীংঙমহৌদবা মীওই কয়ানা মণিপুরিশিংগী মথক্তা অতোপ্পা নোর্থ ইষ্টকী নত্তবা মীওইশিংগুম্না উখি হায়বসি য়াম্না পীকপা মরম অমা ওইরগসু লমদমসিগী পুন্না খুন্দা–লৈতামিন্নরিবা মীওই কাঙলুপশিংগী মরক্তগী মীওই কাঙলুপ খরদা অদুম্মক অপিকপা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা থম্মোয়দা শীংনবা অমা পুদুনা লাকখি হায়বসি খঙবা তই। ঙসি নাগালেন্দগী অচৌবা লালহৌলুপ অমনা ভারত সরকারগা শান্তিগী ৱারি শান্নদুনা লাকপা মতমদা খ্বায়দগী চাওনা প্রোব্লেম অমা থোকহল্লিবসি গ্রেটর নাগালেন্দগী দাবি অসিনি হায়না লৌনরি। মসিগী চপ চাবা খুদম অমা হায়বা তারগদি নাগালেন্দদা মমাঙগী টার্ম খরদা চিফ মিনিষ্টর ওইদুনা লাকখিবা নিফ্যু রিওনা হন্দক চিফ মিনিষ্টরগী ফম থাদোক্লগা ষ্টেট অদুগী পার্লিয়ামেন্ট মেম্বর অমা ওইখিবা অমসুং মহাক্কী মহুত্তা অনৌবা চিফ মিনিষ্টর ওইনা টি আর জেলিয়াংনা নৌনা চিফ মিনিষ্টর ওইরকপা অসিদা মথুম মরাং হৌনবগী ফিভম অমা লাকপা অসিনি। হৌজিক মণিপুরগী নাগাশিংনা মখোয় মশামক নাগা কাঙলুপকী মনুং চনবনি হায়না লৌরগা নাগালেন্দদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈখিবা পুন্বা মণিপুরদগী হৌরকপা নাগাশিংদি মৰা ইচৎ চত্তবদৌনা মমাঙদগী লাকখিবা অদুনা খোইরাং খোইশাওনবা অমা থোকহল্লিঙৈ তাল্লক্তা থোকপা থৌদোক অমা ওইবনা মণিপুরগী নাগাশিংগা নাগালেন্দগী নাগাশিংগা য়াম্না খেন্নবা ইন্টিগ্রিটি অমসুং ত্রেদিসন লৈ হায়বসি খঙলকপগী তাঞ্জা অমা লৈরে হায়না লৌবা য়াই।

চাওখৎপা হায়বসি মীওই কাঙলুপশিংগী মরক্তা তিল্লগা মখোয়–মখোয়গী ওইবা কলচর অমসুং ত্রেদিসন অদু এক্সচেঞ্চ তৌনদুনা হেন্না মপুং ফাবা কলচর অমদা দিভলপ তৌনবা হোৎনরকপদগী লাকপনি হায়বসি ঐখোয়না কাওফম থোক্তে। মীওইবা হায়বসি মীয়াম মরক্তা হিংবা জিবা অমনি। করিগুম্বা মীয়াম লৈত্রগদি নৎত্রগা মীরক তিন্নদ্রগদি হায়রিবা মীওইশিং অসি চাওখত্তবা মীওইনি হায়না লৌনরি। নুংঙাইরিবদি ইশাগী পোক্লফম লমদম অমবু মীরাইরগা মীগী মপাল তাংনা হিংগনি হায়না লৌরুবা মীওই কাঙলুপশিংগী হৌজিক থেংনরিবা ফিভম অসিনি। কয়া অমা হঞ্জিন হঞ্জিন হায়রবসু নোর্থ ইষ্টতা খ্বায়দগী হেন্না ঈরাং থোক্লিবা অমসুং মতম মতমগী ওইবা ঈরাংগী চৈথেং ফংলিবা অসি মণিপুরনি হায়না লৌবদা থোইনা লানগনি নীংদে। চহি অমদা ষ্টেট অসিগা শম্নরিবা লাইফ লাইন ওইরিবা নেসনেল হায়ৱেশিংদা তোঙান তোঙানবা দাবি তৌরিবা নাগা লুপশিংনা লম্বী থীংজিনবদগী অমসুং মহৌশানা লেন্দ স্ত্রাইদ থোক্কনবা লম্বী অসিদা য়ামদ্রবদা থা ৩ রোম গাড়ি অমসুং মীয়াম চখোক চৎশিন তৌবা য়াদবগী মওং থেংনদবা নত্তে। অসিগুম্বা তোয়না মীয়ামদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং ফংহনবগী মতাংদা শীংনরকপা থৌওং কয়া চখবা মীওই কাঙলুপ খরগী খুৎ য়াওই হায়বসি সরকারনসু হেন্না খঙলিবা ৱাফমনি। মসিমক্তদা মণিপুরগী মপুং ওইবা মীওই কাঙলুপনি হায়রিবা মৈতৈশিংনা অদুমক খাঙদুনা লাকখি অমদি করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা মচিন মনাও ওইনা হৌমিন্নরকখিবা মীওই কাঙলুপ অমত্তা তাথি তাওইনা তৌখিবা লৈতে। মথোং হুক্তনা ঈরাং পান্বা অমসুং মশাগী মরম্বু মশাগীনি হায়বা ঙমদবা মীওই কাঙলুপশিংনা লমগী ষননা মচি শাংই হায়বগুম চখিখিবা থৌওং কয়া অদু ঙসি হোংলক্লিবা মতমগী খোঙচত্তা লাক্লিবা অওনবা অসিনা মরম ওইরগা ইচিন ইনাও ওইবশিংগী মরমদা হাপোইনবা ৱাখল অমা লাকহনবগা লোয়ননা মশা মশাগী ওরিজিন অদু খঙনা অমত্তা ওইবা ঙমগদবা মীওই কাঙলুপশিংগা পুন্না হিংমিনবনা হেন্না ফৈ হায়বা অমা খঙলকপা মতম ওইরে। মসিদা মহৌশাদগী ঙাকপিদুনা লাক্লবা মচিন মনাও ওইবগী মরীবু তত্তনা শৌগত্তুনা লাক্লিবা অচৌবা মীওই কাঙলুপশিং অসিদা শোয়খিবশিং অদুগী মতাংদা পুক্লিং হোদোকমিন্নরগা অমুক হন্না পুন্না লৈবাক অসিগী নৎত্রগা ষ্টেটসিগী ইন্টিগ্রিটি অদু ঙাকমিন্নবগী মথৌ তাই হায়বসি থম্লিংই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### মমি শাম্লবা মণিপুরসে


*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

তুংকোইনা চৎকদবা মাষ্টরপ্লান অমগী মখাদা চেকসিন্না কোক থাদদুনা থবক খুদিং পাংথোকহৌদ্রবদি মণিপুর হায়বা ষ্টেট অসি মতম খরগী তুংদদি য়াম্না ময়েক শেংনা মরিং মরাংবা ষ্টেট অমা ওইরক্লগনি হাইবসে ঐগী মত থমজগে। ময়াম্নসু ইফোং–ফোংনা খংনরবা ৱাফম কয়া– ইফোং ফোংনা শোইরে খংলবসু খংশিন উশিন্নদনা–মতম খর লাঙলম্লগা মথন্নতা তোকচখিনি মতাগুম করিসু থবক লৌখৎতনা লৈবগী হৈনবী লৈরীবা অচৌ অশাং পুম্নমকসু মীৎ–না শীংবীরো, অরোইবা খোঙ্গাউ হাইবদো লাক্লবদি লাক্ল–ফান্না ঙম্বগী ৱাংমদা লৈখিবা তারে হাইনা মাংজৌননা হাইজনিংই। তুরেন্না হঙ্গৎনা চেন্দে, হৌখ্রবা মতমসু হন্না লাকপগী ৱাখল খন্বীরনু, ঙসি হাইবসে হায়ংগী মমাংনি, হৌহন্বীখিগনু ঙসিমক তৌদ–য়াদে হাইবগী হৈনবীনা মাঙ–থাদুনা লৈবাক অসিদা মীংচৎকী য়ুম্ফম থোল্লম্মু। খজিক্তং ওইরবসু অচুম্বগী লম্বীশিং থৌনা ফনা মীপুম খুদিংদা তাকপিরম্মু। খজিক খজিক্লা ময়াম অমা ওইরক্কনি। হাইনৈদনা রোম সহর নোংমদা শাখিদে। করিবু খন্দুনা অসুক কুইবা মতমসে উশিন খংজিন্নদবনো? শন্দ্রেম্বী ঈমাদি খ্বাং য়ৌরে, ৱারেদা! হা মণিপুর নঙবু করম খাংলিবসে অঙম্বগী লীচৎসে, নঙবু কনা য়েংদুনা কপ্লীবগে নিংখায়রবা মরিং মরাংলবা লৈঙাক্কী অশোয়বশিংসে হায়না ৱাজরবা অতোপ্পা লৈবাকনিংবা কাংবু কাংবু শঙ্গু–শঙ্গু থোরকপা থোক্লবদি মদুনা কমদৌবা হংবা য়াবা ৱাহংনি। খন্দুনা য়েংবীয়ু করম্বা দিপার্টমেন্ট অমত্তা মমায় চুম্না চাওখৎপগী লম্বীদা ময়া মৈ হৌনা থোরক্লবগে পুম্নমক শিরুম নারুম্বা ঙাক্তা ওইনা তৌবগুম উরি। করোরগী থবক লাক্ষনা লোইশিল্লি, লাক্ষকী থবক লিশিংনা লোইশিল্লী সিদনি শিরুম নারুম্লীবসে।

য়াম্না ইজরবোই ইকাই খুম্নরবা ইডিটরনা অদোমগী ফোংদোকপা ঙম্বগী পন্নুংদা ঙসিগী মমি শাম্লবা মণিপুরগী শক্তমসে অমুক্তা সবাক ফাকতোকপিয়ু।

অদোমগী
ভেরোনিকা
থৌদা ভাবক লৈকাই।

# সত্য সাই বাবা কনানো ? মহাক্লা অশুম্না হায়রম্মী



*৭। আত্মাদি পোকপা শিবা নাইদে*

১৫১। মীওইপোক্লা খ্বাইদগী লাইবক ফবা মপোক্লি। মরমদি মীখক্তনা মহাক্কী মপোক্কী মরম খঙজরগা ঈশ্বরগী থাক য়ৌবা ঙম্মী। শা নত্রগা উচেক্লা অসুম্না অৱাংবা থাক্কী মশাবু শক খঙজনবগী মতিক মগুন লৈজদে। অদুবু মমল য়ামখ্রবা খুদোঙচাবা অসি মতাং চানা শিজিন্নবগী মহুত্তা মীওইবনা মপুং ফাদবা থবক্তা পুক্লিঙ চংদুনা লৈবনা মপুন্সিদা মঙাল অদু উবা ফঙদনা শিজৈ। মীনা মশা মতোমতা মিংচৎ থিহনজদুনা, চেদা য়েকপা লাই নত্রগা নুংনা শাবা মুর্ত্তি অমা ওইগদবা নত্তে। মীদি থবক খুদিঙ পাংথোকপা ঙম্বা, খুদিংমকপু পাকথোক–চাওথোকহন্নিংবগী ঈথিলদা লানঙম ফিরাল থেৎপা, পোকপা–শিবা নাইদবনি। অদুবু, কান্নদবা পোৎশকশিংগী মপু ওইবগী ৱাখল্লোন্দা অরেপ্পা লৈতবশিংবু কোইতান তান্নদুনা লৈরি। মেংলবা থাবলগী মঙালবু, অমম্বা অমা ওইহল্লি।

১৫২। মীওইবনা মহাক্কী তোপ–তোপ্পা মতিক মগুন অদু খঙবা ঙমদ্রবদি, মীওইবনা পোক্লুবগী কান্নবা করিনো? মীওই পোক্লা জীবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী অতাংবনি অমসুং মগুন লৈবনি। অসিগুম্বা শেংলবা মীওইপোক অসি ফঙজরবা মীনা অঙাং ওইরিঙৈ মতমদগী মহাক্কী ইন্দ্রিশিং অদু ঈশ্বরগী মাইকৈরোমদা ওনশিনগদবনি। অঙাং ওইরিঙৈদগী ঈশ্বরবু নিংজদুনা মহাক্কী থৌজাল ফঙননবা হোৎনগদবনি। অহল ওইশিল্লক্লগা, পোৎ খুদিঙ ময়েক শেংনা উরক্ত্রবা মতম, মায় খুইজিল্লবা মতম, শম ঙৌরক্লবা মতম, অঙাংশিংনা য়োং হনুবা হায়না লক্নদুনা কুক্ষে ওইরক্লবা মতম, হকচাংগী খোঙ–খুৎনা নিকলক্লবা মতমদা নহাক্লা ঈশ্বরগী মিংলেন শোনবা ঙমগনি করম্না খল্লিবনো? অহল ওইশিলক্লগা ঈশ্বরগী ৱাখল খনবা হৌরক্লিবশিং অসি ইকাইনিংঙাইনি।

১৫৩। হকচাঙ অসিদি হোৎবা নাইবা পঞ্চভূৎনা শাবনি। মসিদি অহোঙবা অমসুং শিবা নাইবনি। মীওইবগী পুন্সি ঃ চহি চাম্মনি হায়নৈ অদুবু মসিদা থাজবা থমলুগনু। পুন্সি অসি ঃ অঙাং ওইরিঙৈ নত্রগা মথোৎ কারকপা নত্রগা মীয়াই চল্লকপা নত্রগা অহল ওইরকপা মতমদা হেক্তা থাদোকখিবা য়াই। হে মীওইবা ! অরোয়বা মতম অদু খুঙ্গংদা নত্রগা জঙ্গলদা নত্রগা ঈশিংদা হৈক্তা ওইবা য়াই। হকচাং অসিদি অমোৎ–অকাইনা পীক থল্লি, মরম অদুনা লায়না কয়াগী তুংনফম ওই। হকচাংদি পোকপা–শিবগী চক্রনুঙদা লৈবনি। মসিনা পুন্সি ঈপাক ক্তো লানবা ঙমদে। অদুনা হে পুক্লিঙ ! হকচাঙ অসি মতম পুন্বদা লেংদনা লৈগদবনি হায়বা খক থাজরুগনু তাইবং শেম্বা মপুগী খুয়াদা চংজৌ।



লৈশাংথেম অচৌ (মণি)

১৫৪। "মীওইবনা হেক পোক্লকপা মতমদা অশেঙবা অমোৎ অকাই য়াওদবা অমা ওইরকই। অকোইবদা লৈরিবা ফিভম অমদি তিন্নরুবা মঙ্গনা মীগী পুক্লিঙবু অমকপা ওইহল্লি। 'নুঙদা লৈরিবা মহাক অদুনা তাক্লকপা অদুগী মতুং ইন্না চৎলু। নুংশিবা অমসুং খুদিঙমকপু খল মান্নবা মওংদা থম্বা অসিমক মীওইবনা পোকপদগী য়াওরক্লবা অধিকারনি"। পোক্লকপা মতমদা মীওইবগী থম্মোয় অসি তরু–তরুই, ওইজ–ওইথক লৈতে অমসুং ঈঙ–তপ্পা অমা ওইরকই। অদুবু মতমগী 'তুংইন্না মখল মথেলগী মীওই কয়ামরুম তিন্নরুবদগী অশেঙবা তরু–তরুবা অদু অশুম শেঙদবা ওইরকই।

মীওইবনা ফবা নত্রগা ফত্তবা হায়বসি অকোয়বগী ফিভম অমসুং তিন্নরুবা শঙ্গী মখা পোল্লি। চে–পাং অসিগী মশাগী ওইবা মনম লৈজদে। অদু চে–অদুনা পকৌা –বোরা নত্রগা ঙারি নত্রগা মনম নুংশিবা লৈ য়োম্লুরবদি য়োম্লিবা পোৎশক অদুগী মনম চে–অদুদা লৈহৌই। তশেঙবদি, চে–অদুগী মশাগী মনম লৈজদে। য়োম্লুরিবা পোৎশক্তুগী মনম চে–অদুদা লৈহৌবগী ৱাতনি। মরম অদুনা অশুম্না হায়নরিবনি ঃ "নহাক্লা তিন্নরিবা শঙ্গদো কনানো ঐঙোন্দা হায়য়ু, অদুগা নহাক কানানো হায়গে?" নহাক্লা তিন্নরিবা শঙ্গী 'তুংইন্না নহাকশু ফিভমদু অদুম ওইরকপনি। মরম অসিনা অফবা তিন্নগদবনি। মীপুম খুদিঙ পোক্লকপদা অফব ঙাক্তা ওইরকই অদুবু ফত্তবা শঙ্গনা মরম ওইদুনা তাইবং ঈপাক্তা ঈরাক্নহল্লি। ঈশ্বরগা মঙ্গ ওইবতনা মীওইবনা পুন্সিদা অকি–অখং লৈতনা খুদিঙমক ফঙবা ঙম্মী। মীওইবনা মী মশাবু থা য়ৌনা পুবা ঙম্বা খুৎলাই পুথোক্লে অদুবু খ্বাইদগী অঙকপা ওইরিবা পোৎশক্তি ঈশ্বরগী খুৎশেম ওইরিবা মীওইবগী পঞ্চভূৎনা শাবা হকচাঙ অসিনি। ঈশ্বরনা মীওইবদা খুদোল তল্লিবা অঙকপা খুৎলাই অমা ওইরিবা হকচাঙ অসি ঃ অপাম–অপাম্বা চান্নবা থক্লনবা অমসুং নুংঙাইথোক্লবগী ঙাক নত্তে। চাবা, থকপা অমসুং নুংঙাইথোকপা হায়বসিদি শাশিংদশু লৈজে। অদু ওইরবদি, মী ওইনা পোকপগী তোপ–তোপ্পা গুন করিনো ? "হকচাংনা লাইশংনি অমসুং 'নুঙদা লৈরিবা অসিনা ঈশ্বরনি।"

১৫৫। নহাক্লা মালেমসিদা লাকপা মতমদা কনাশু লোয়নরক্তে নতোমতা লাকই, নত্রনে? নহাক্লা হিংলিঙৈ মতম অসিদা মরুপ–মপাং, মরি–মতা কয়া তাশিন খোমজিল্লে অমসুং শকখঙনবা কয়া নহাক্কী লীপুন 'খাদা লৈরে। নহাক্লা লাকপা মফম, লাইরৈপাক্তা হনবা মতমদা শন্নথোঙ অদুদা কনাশু য়াওদনা নতোম্তা চংগনি। 'অপাম্বা' হায়বসি মীনা পোক্লকপদা য়াওরক্তে। অদুবু, মী মহাক অদুনা চাওখৎলকপগী মতুংইন্না অপাম্বগী লাংদা থুরকই লোয়ননা মসিগী বন্দি ওইরকই। মীওইবনা মহাক্কী পুক্লিঙ অদু নুংশিবনা থলহনগদবনি। পান্দম অসি ফঙননবগীদমক হোৎনবা দরকার ওই। লাইরিক ইবা, পাবা, ৱা ঙাংবা খুদিংমক হোৎনবদগী হৈরকপা ঙাক্লি। অশুম্না, অধ্যাত্মিক্কী লিকলমসু হোৎনবা দরকার ওই। হকচাংদি শিবা নাই অদুবু পুক্লিংদি খক শিদে। পুক্লিং ঃ খুদিঙমক্কী দায়ত্বনি। মরম অসিনা, নহাক্কী পুক্লিঙ অদু অমকপা য়াওদবা অমসুং ওইজবা থিদবগী ৱাখল্লোনি। মথংদা পুক্লিং লৈতবা থাক অদু য়ৌবদা, খ্বাইদগী অথোইবা আত্মা খক্তমক ঙাইহৌরে।

১৫৬। মীওইবনা অশিবা হায়বসি নত্তনা অতৈ খুদিঙমকপুদি লোয়না খঙলে। মী অমনা করিগী শিরিবনো? শিরগা করম্বা তোংজবা ফঙই? করিগী মীনা শিরিবনো? পাওখুমদি ঃ মী মহাক অদু অমুক হন্না শিদনবনি। মহাক্লা পোক্লিবনা, অমুক হন্না পোক্তনবনি। মী ওইনা পোক্লগা নুংঙাইনা পুন্সি লেনগদৌরিবনি খান্দুনা ঃ লান–থুম, লম মায়া সংসারগী ওইবা অরং–অরাক অমদি লৈতেংগী পোৎলম কয়া তাশিন–খোমজিল্লি। মদুমক্লা মরম ওইদুনা ঃ নুংঙাইনা লেনগে খনবা পুন্সি অদু য়েক্ল–তিংখং কয়া মায়োক্লবা তারকই, মদুনা ঈশ্বরবু খঙজনবগী ৱাখলদি কাওথোকই। মপোক কয়াদা নহাক্লা ফাবা ঙম্লক্ত্রবা প্যাড়া ঃ " মালেমদা অমুক হন্না করম্না পোক্লোইদগে হায়বা প্যাড়া অদু মপুং ফানা খঙননবগীদমক নহাক্লা পোক্লবনি। প্যাড়া অদুদি আত্মাবু মশক খঙবনি"।

১৫৭। শিবা হায়বসি নাম্থোকপা য়ারোইদবা থৌদোক অমনি। পাণ্ডবা মীকিথী অমগুম্না শিগদবা নত্তে, থৌনা ফনা মহাভারতকী ভীষ্মগুম্না শিগদবনি। মহাক্লা তেনগী ফমুংথক্তা হিপ্ন–হিপ্না পান্দবশিংদা শান্তিপর্ব তম্বী–তম্বীনা থম্মোয়'নুঙদা লাৎচরিবা কৃষ্ণবু মমাংমক্তদা শফোংলকপগা লোয়ননা অরোয়বা য়াহিপ তানখিরম্মী। শিবা হায়বসি কিনিংঙাই ওইবা অমগুম্না খন্নদুনা নুংঙাইনা হরাও–মথোই কানরিঙৈ মতমদা পাল্লোইদবনিশু খন্নে। মদুমক্তি নত্তে, শিবদা অফবা নত্রগা ফত্তবগী ৱাফম করিশু লৈতে। নহাক্লা মসিদা অপাম্বা খনবা লৈথোক্লবসু মসিদগী নাম্থোকপদি য়ারোই। শিবা ঃ নাম্থোকপা য়াদ্রবা থৌদোক অমনি মরমদি হেক পোকপগা মোংফমগীদমক খোঙশানবা হৌরবনি। কনাগুম্বা খরনা মোংফম অদু থুনা য়ৌই, কনাগুম্বা খরনা থেক্লা কোয়না চৎলুরগা থেংনা য়ৌই। মী অমগা মী অমগগী পম্বুংফম য়ৌবগী খেন্নবা হায়বব্বু 'মিখক্তনি। অদুবু মীওইবনা অশিবা হায়বসি লাপ্না লৈবা অৱাবগী থৌদোক অমগুম্না অকাও পরৈনদুনা কোইচৎ চৎলি। য়ুমথংনবগী অঙাং অমা শিবা মতমদা নহাক্লা লৈখিদ্রবগী ইমুং–মনুংদা মপুক্লিঙ ফাথ–ৱাহৈ কয়ামরুম হায়রি ঃ অঙাং ওইরিঙৈদা শিবা হায়বসি হৌখিবা মপোক্তা মখোয়গী কর্ম্ম লোইরক্তবনি অসিনচিংবনি। অদুবু নহাক নশাগী অঙাং অমা শিবা মতমদদি নহাক্লা মীঙোন্দা হায়খিবা ৱাহৈ অদুমক্লা নপুক্লিঙ ফাথবদি ঙমজদে। মরমদি হকচাঙ অমসুং আত্মাগী খেন্নবা নহাক্লা খঙদ্রি। শিরিবদুদি হকচাঙনি, আত্মাদি শিদে।

১৫৮। শিবা হায়বসি পোকপগা অদুম লোয়নরক্লবনি। অশিবদি মশাগী লাকফম থোকপা লম্বীদা অদুম লাকচবনি। তাইবং মপুদি থোক্লিবা থৌদোক খুদিঙগী শাক্ষিনি। থৌদোক খরদদি ঈশ্বরনা খুদম চাংদমগা লোয়ননা মাংজৌননা তাকই। খুদম চাংদমশিং অসিদা পুক্লিং চংলিবা মহাক অদুদি অফবা মাইকৈদা চুমথোরকই। মরম অসিনা ইশাগী ইথৌ পুকচেল শেঙনা তৌগদবনি। তাইবং মপুগী থাম্মোয়দি মপান নাইদবনি। পুম্নমকপু য়াইফনবা খল্লিবা অদু মহাক্লি। পোকপু পোক্লবদি শোয়দনা শি, পোৎশক অমা ওইনা শাগৎলিবা খুদিঙ শোয়দনা মচেৎ–মচেৎ কাইখিগনি। অদুবু নহাক পোক্ত্রবদি অশিবদগী নাম্থোকপা ঙমগনি। নহাক নশানা নশাবু ঙমখে লৈতবা আত্মানি শকখঙলকপদা, পোকপগী ঙমখে অমা লৈরক্লবনি। মসি অরোন–অথুপকী ওইবা ৱাফম্নি। মদু করম্না খঙগনি? মসি মতম শাংনা বুদ্ধি জ্ঞানবু মথৌ হাপ্পা অমদি ইন্দ্রি কায়ৎশিংবু শেঙদোক্তুনা, হৌরকপা ঈথক–ঈৎপোমশিংবু লাকশিনবা চংই। নহাক্লা অকনবা শাফুগা লোয়ননা ধ্যান তৌদুনা লাইনিং লম্বীদা চংনবা হোৎনবা য়াই অদুবু নশাদা ধর্ম্ম য়াওদ্রবদি হোৎনবা খুদিঙমক অরেম্বনি।

১৫৯। অরোয়বা পুন্সিগী নিংশা শ্বর হেক হোনখিবগা, পঞ্চভূৎনা শাবা হকচাং অসি করিগুম্বা ফত্তবা অমা থোক্লগদবগী খুদম–চাংদম ওইবা পোৎশক অমা ওইনা খন্নরক্লে, মরম অসিমক্লা নহাক্লা অৱা–অনা কয়া খাংনা শাজবা নুংশিনা লুনা–চান্না তৌক্তবা য়ুমগী মপান্দা পুথোরক্লে। মতম চংনা তুংশিন্দুনা লৈরিবা শেনফমশিং, ফুডা–দলালশিং, মহৈ–মশিং হৈবগী শক্তাকচেশিং হিংলিঙৈদা ফঙখিবা মিংথোনশিং লোয়না হুন্দোকলম্বা তাই। হুরানবা চংদনবা নহাক্লা থোঙ অমসুং থোঙনাও থিংজিন্দুনা থম্বা ঙম্মী অদুবু অশিবনা চংদনবা কনানা থোঙ–থোঙনাও থিংজিন্দুনা থম্বা ঙমখ্রবগে?

# মৈরা পায়বী ইহৌগী লমজিং

পুৱারীগী লমায়দা, খুন্নায়সিগী নুপীশিংনা ইরমদমগী লুরবা তানফমদা তুমীন্না খক লৈথোকখিদে। নীংথৌগী মীওৎ–মীনৈ থেংনরকখি লোইলম লৈঙাক থেংনরকখি, অদুনা মমীং লৈখ্রবা লান অসি ঙসিফাও ৱারীনরিবনি। পুৱারী শেম্বী নুপীশিংনা লীশাং–শীংনা থেংনদুনা লাকপা লান (অহুমসুবা নুপী লান) অমদি মৈরা পায়বীগী ইহৌনি । মসিসু হৌখিবা লানশিংগা খেন্নবা লৈতে মরমদি মনুংগী ওইবা তমথীবা লোইলমগী চৈফু অমসুং চৈথেংবু থেংনবনি। মরমদি নীংতম্বা ভারতকী ফীবান্নুংদা লৈবা মণিপুর মীয়াম্না ঙসিফাওবা হীংবগী হক্কীদমক অসুক ৱানা লাউরমগদ্রা, পীকখ্রবা লমসিদা মখল পুম্বা শুনা মীওৎ–মীনৈ লৈবাক মীয়াম্না থেংনরিবসিনা লেংদ্রবা খুদম নৎত্রা ? হায়বদি তমথীনা ওৎ–নৈবা, শাথীনা ফু–চৈবা, নুপীগী ইজৎ মাংহন্বা, ফাখ্রগা থীবা খংদবা, মখুৎ চল্লগা হাৎপা অমসুং হকথেংননা থেংনদুনা লাক্লি অমসুং থেংনখিনি। থেংনরীবা অমসুং থেংনখীগদবা অসি মৈরা পায়বীননি। অদুনদি মৈরা পায়বী পুম্বা মচোই–মচোই তৌহন্দনা অকনবা শক্তী অমা শাগৎতুনা চখরীবা লানফম অসিদা লান্মী ওইনা অচেৎপা ফীরেপকা লোইননা লেংদনা কজোং–কামাং তৌদনবা ঙসিসু "মৈরা পায়বীগী নুমিৎ" পাংথোকপা হায়বসি মথৌ তাদুনা লৈরি। মসিনি মে ২৮ গী নুংগী ৱাখল্লোন অমসুং ৱাহন্থোক। মসিবু ৱাহন্থোক লৈহন্বা হায়বসি ঐখোয়গী খুত্তা লৈ।

সরকার অমা লাকপা, সরকার অমনা শিনবা, পার্তী অমা চৎখীবা–অমা অমুক লাকপা–পোলিসিবু শিন্দ্রবদি অহোংবা কৌদে হায়বসি মীয়াম্না খংমীন্নগদবনি। মরম অসিনা লোয়লমগা পাংখক্লরীবা ইরমদম অসিদদি অৱা–অনা–মীওৎ–মীনৈ অদুম লৈখীনি। মরম অসিনা মীয়ামগী মাইয়োক্তা লৈবা পোলিসি পুন্বা থেংনবা তাবনি। মসিদা মৈরা পায়বী তুমিন্না লৈবা য়াদ্রি। থেংন–থেংননা লৈঙাকলোন অসিগী ফম্নাইবশিংনা মীয়াম্না পান্বা পুম্বগী মাইয়োক্তা শীংনবগী মমী চাউনা তারী।

ওল্লিঙৈদগী ভারতকী কনষ্টিতুসননা য়ামখ্রবা ৱারোল ৩৬৫ য়াউদুনা ভারতকী অতৈ–ষ্টেটকী মীয়ামদা য়াইফনা হীংনবা হোৎনজরবসু, নোংম–নোংমগী অৱাৎ–অপানা থল্লবা লায়রবা লৌমী–শিন্মী কয়া লাক্ষ অনিগী ময়াদা হিংবা ঙমদনা মদোম শীজখ্রে হায়বসি রেকোর্দ লৈরি। অতৈ ভারতকী লমদা অসি য়ৌখ্রবা মতমসিদা মণিপর অমসুং অৱাং নোংপোক্কী মীয়াম করি ওইগনি? চাবা ফংদনা শীবা, শেন্দোন্না খ্বাং কোয়দুনা শিবদি অমরোম্দা মফরী। ঐখোয়গীদি অহিংবা ময়াম অমা হাৎনিংবা মতম হাৎপা ওৎপা নৈবনি। অফসপাগী মরুমদা চৎখরীবা মীওৎ–মীনৈসিগীদমক ভারতকী লান্মী, পেরামিলিটরি, ষ্টেটকী পুলিস কমান্দো, সি আরপি এফ, মসিগী মথক্তা এন আই এ পুম্নমকসি মণিপুরগী চাথোক–পোৎথোক হেনগৎনবা লাকপা নত্তে। মীয়াম্বু ফুনবা, ওৎ–নৈনবা, নুপীগী ইজৎ মাংহন্নবা, ফারগা খুৎশেমগী খুৎ থোক্লবদা হাৎনবা, কষ্টদিদা ফারগা ফুনবা লাকপনি। ভারতকী সিটিজন অমদা পীরিবা হক পুম্বা হাৎপগী লাইসেন্স ফংদুনা লৈঙাক্লিবা লমদা করিবু কান্নরি? মরম অসিনা মে ২৮ "মৈরা পায়বী নুমিৎ" চহি–চহিগী পাংথোকপা হেন্না–হেন্না মরু ওইরক্লি।

থবক ফংদবগী খুদোংচাবা লৌদুনা লৌবুক্তা শীনশংদা থবক শুজগদবা ইনখৎলকপা নহরোল কয়া লান মমাংগী নোংমৈ অমা পায়দুনা শোরোক্তা নুংশা ফৌরি। মদুগী মহুত্তা মতমগা চানবা অনানবা ফেক্টরি কয়া লীংখৎতুনা মখুৎতা মমিৎ পাল্লি হায়রিবা নহা কয়া অসি চাউখৎ খোঙথাংগী লম্বীদা লমজেন য়াউহনগদৌবদু তৌদনা মচিন–মনাও ময়াম চেক তৌদুনা খোম্থী কয়া, খোনৱাউ কয়া থাদদুনা দেমোক্রেসিগী মীংদা মীলিটরী জুনতাগী লৈঙাক্কা পাংখক্লরি। হৌখিবা চহি ১৯৮০ গী পাৎশোই–লাংজিংগী থৌদোক্তগী লমদমসিগী নুপী খুন্নায়না অসিগুম্বা মীওৎ–মীনৈ লেপ্তুনা থেংনদুনা লাক্লি। অদুবু মীয়াম্না পান্বা অহোংবদুমক্তী করিগুম্বা অমত্তা উদ্রী। মরম কয়া অসিদগী নুপীওইবী ময়াম খ্বাংচেৎ মচী লাংদবা য়াদ্রি, খুৎতা মৈরা থাবা য়াদ্রি। লায়রবসু থেংনগনি, মীওৎ–মীনৈসু থেংনগনি, হয়েংগী মীরোল কন্দবা য়াদ্রি, ঙসিগী মীরোলসু ঙাক্তবা য়াদ্রি। অদুনদি লোইলমগী লৈঙাক্তা শক লোৎতুনা লাক্লিবা লৈঙাকলোনগী লীব্লুমসিগী অশোয়বদা তুমীন্না লৈথোকপা য়াদে। মীৎনা উনা নানা তানা থোক্লিবা মীওইবগী হক–খোঙ্গাত্তনবা থৌদোকশিংদা হান্নগুম থেংনদবা য়াদ্রি। ষ্টেট কী লো এনফোর্সিং এজেন্টশিংনা মীয়াম ঙাকপগী মহুৎতা লেপ্পা লৈতনা মীয়াম্বু ওৎপা নৈবা লেপত্রি।

তশেংনা হায়রবদা ঙসিগী ওইরিবা মণিপুরী খুনায়গী ফিভমসি লিশাংশিংনা মীয়ামগী অপাম–পামদা য়েংদনা লৈঙাকপদগী খুনায়সিদা মপু পান্দবা মওংদা–তৌনিংবদা তৌবা, অপাম–অপাম্বা শেৎতুনা লৌবগী ফিভম অমদা লাক্লি। অসুম্না নোংম–নোংমগী কাংখোং চায়বা হেঞ্জিল্লক্লিবা খুনায়সিদদি মীয়ামগীদমক্তনি হায়না চেন–চোংলিবশিং, লুপশিংদদি হেন্না–হেন্না অচৌবা শিংনবা ময়াম অমনা লাঙ্গোই চনশিনলক্লি। অদুবু মণিপুরী নুপীশিংদদি খুনায়গী ওইবা শিংনবশিং মায়োক্লবা হায়বসি ঙসিনা অহানবা নত্তে। মমাঙদসু পুৱারিগী তাঙ্কক কয়াদা শিংনবা কয়া মণিপুরি নুপীশিংনা মায়োক য়াদুনা মায় পাক্লা থেংনখিবগী থৌদোক–ৱাথোক কয়ানা ইরমদমগী পুৱারিগী পুক্কে থন্না লৈরিবনি। লাইওইখ্রবা মণিপুরী ইমা–ইবেলশিংদুগী থৌনা লিংজেল খুনাইগীদমক কংথোকপশিং অদু ঙসিসু মখোয়গী চাদা–নাওদা ওইরিবা, ঙসিগী মীরোলগী মণিপুরী নুপীশিংদসু লৈজে তৌবদবু শিংনবগী মওং খরা খেন্নবগী ৱাফমনি। চহি খরগী মমাঙ ফাওবদি মৈরা পায়বীশিংনা থেংনরম্লিবসি লৈঙাকপশিংনা মীয়ামগী মথক্তা চখবা মীওৎ–মীনৈগী পোরম অমদি মখোয়গী সিফাইশিংনা চখবা মীওৎ–মীনৈশিং অদুগী মায়োক্তনি। ঙসিদি কাংখোং চাইরবা খুনাই অমগী মহৌশা খুনাইসিগী মনুংদগী থোরকপা নুপীদা, অঙাংদা চখবা মীওৎ–মীনৈশিং অসিসু মৈরা–পায়বীশিংনা, মণিপুরী নুপীশিংনা, মণিপুরগী মীয়াম্না থেংনদবা য়াদবা অরুবা ৱাফম অমা ওইরক্লি। শম্না হায়রবদা মতম অমদা লৈঙাকশিংনা চখবা মীওৎ–মীনৈ খক্তমক থেংরম্বদু ঙসিদি খুনাইসিগী মনুংদগী থোরকপা মীওৎ–মীনৈসু য়াওনা থেংনদবা য়ারক্তে।

অসুম্না লুরবা লৈবাক্কী ফিভমসিদা, অশেংবা মৈরা পায়বীগী ঈহৌ থৱায়না পোল্থাফাউ পীদুনা পুৱারী ওইখ্রবা মে থাগী চৈচৎ ২৮ অসিবু খুন্নাইসিগী নুপী ওইবী কয়ানা মীওইবগী হক খোঙ্গাউনবা থেংনবা নুপীশিংগী খোঙজংবু "মৈরা পায়বী নুমিৎ" হায়না লেপ্তুনা পাংথোক্তবা য়াদ্রি। লোয়ননা নুমিৎসিগী তান্না–তীরুবদুসু মরু য়াম্না ওইরি। অদুননি লেপ্তুনা পাংথোক্তুনা লাক্লিবসু।

*ৱাফোং কাংলুপ*